

# সনালৈবাক স্পোর্টস





*শাশিন্নবা চহীগী চে-চাং থাজিল্লবগীদমক ওল ইন্দিয়া ফুটবোল ফেদরেসননা সস্পেন্দসন থমখ্রবা আইএসএলগী টিম অমা ওইরিবা জমসেদপুর এফসিগী শান্নরোই গৌরভ মুখি*

*লিজেন্দরি প্রমোটর বোব অরুম'স কেম্পেনিদা মল্টি ইয়র সাইন তৌনদুনা য়ুএসএদা অহানবা ওইনা প্রোফেসনেল বাওট থিন্নগদৌরিবা ইন্দিয়ান বোক্সিং ষ্টার বিজেন্দর সিংহ*

## মেগনিফিসেন্ট মেরিনা পুৰারী ওইনা ৱার্ল্ড বোক্সিং চেম্পিয়ন্সিপকী ৭শুবা মেডল ফংলগনি, মনিসা মোন ক্বার্টর ফাইনেলদা মায়থিহৌরে

*ন্যু দিল্লি, নবেম্বর ২০ঃ*

মীয়াম্না মেগনিফিসেন্ট মেরি হায়না মিংথোল পীখ্রবী ইন্দিয়াগী নুপী বোক্সর এমসি মেরি কোম ন্যু দিল্লিগী ইন্দিরা গান্ধী স্পোর্টস কমপ্লেক্সতা চথরিবা ৱুমেন্স ৱার্ল্ড বোক্সিং চেম্পিয়ন্সিপকী সেমি ফাইনেল য়ৌদুনা পুৰারী ওইরগদবা মহাক্কী কেরিয়রগী ৭শুবা মেডল ফংলগনি। ইন্দিয়াগী অতোপ্পা বোক্সর মনিসা মোন ক্বার্টর ফাইনেলদা মায়থিহৌরে।



*এমসি মেরি কোমনা বাওট মায় পাকখ্রবা মতুং হরাওবা উৎপা*

এমসি মেরি কোমনা ঙসি পাঙথোকখিবা কেজি ৪৮গী লাইট ৱেঠ কেটেগোরিগী ক্বার্টর ফাইনেল বাওট অদুদা চাইনাগী ৱু য়ুবু পোইন্ট ৫-০ দা মায়থিবা পীরম্লগা সেমি ফাইনেল য়ৌবা ঙমখি।

নীংশিংবা য়াবদি ৱুমেন্স ৱার্ল্ড বোক্সিং চেম্পিয়ন্সিপ অসিগী পুৰারীদা ইন্দিয়াগী বোক্সর এমসি মেরি কোমনা গোল্ড মেডল ৫ অমসুং সিলভর মেডল অমগা লোয়ননা পুন্না মেডল ৬ ফংবা ঙমখ্রে।

ঙসি থিন্নখিবা ক্বার্টর ফাইনেল বাওট অদুগী অহানবা রাউন্দদা বোক্সর অনীমক অমনা অমবু হেঞ্জিনবা ঙম্মদনা লাকখি। অদুবু অনীশুবা রাউন্দদগী হৌরগা ইন্দিয়াগী বোক্সর মেরি কোমনা খরা লাকচরপ উখি। মখা তানা থিন্নখিবা রাউন্দশিংনা ইন্দিয়াগী বোক্সর মেরি কোমনা লাকশিনবা ঙমখিবদগী চাইনাগী বোক্সর ৱু য়ুবু পোইন্ট ৫-০ (৩০-২৭, ২৯-২৮, ৩০-২৭, ২৯-২৮, ৩০-২৭) দা মায়থিবা পীরম্লগা সেমি ফাইনেল য়ৌবা ঙমখি।

ওলিম্পিক ব্রোঞ্জ মেডালিষ্ট ইন্দিয়াগী বোক্সর এম সি মেরি কোমনা সেমি ফাইনেলদা নোথ কোরিয়াগী বোক্সর কিম হিয়াং মিগা থিন্নরগনি। সেমি ফাইনেলদা থেংনগদৌরিবা বোক্সর অনী অসি মমাঙ চহীদা পাঙথোকখিবা এসিয়ান চেম্পিয়ন্সিপ্তা থেংনখিবা লৈখি, মদুদা মেরি কোমনা নোর্থ কোরিয়াগী কিমবু মায়থিবা পীরম্বনি।

পনবা য়াবদি ৱার্ল্ড চেম্পিয়ন্সিপ অসিগী মমাঙগী ইদিসন ফাওবদা মণিপুরগী বোক্সর এম সি মেরি আয়রলেন্দগী বোক্সর কেটি টেলরগা মেডল ৬ / ৬ ফংদুনা মান্নরম্বা অদু হন্দক্কী সিজন অসিদসু মেরি কোমনা মেডল অমা শোয়দনা ফংলগদবা মরম্না মালেমদা নুপী বোক্সরশিংগী মনুংদা খ্বাইদগী মায় পাকপা বোক্সর অমা ওইবা ঙমখ্রে।

ঐনা থিন্নখিবা বাওট খুদিংমক লায়না লৌদে। বাওট খুদিংমক চাদা চাম্মা মায় পাক্লবা হোৎনখি, ঐনা মাঙদা তারিবা থৌদাং অদুদা অকনবা মীৎয়েং থমখি হায়না মেরি কোমনা ক্বার্টর ফাইনেল বাওট অদু মায় পাকখ্রবা মতুংদা পাউমীশিংদা ফোঙদোকখি।

ঙসি পাঙথোকখিবা কেজি ৫৪ গী ক্বার্টর ফাইনেল বাওট অমদা ইন্দিয়াগী বোক্সর মনিসা মোন বলগেরিয়াগী বোক্সর ষ্টৈকা পেত্রোভাগী মখূত্তা য়াম্না নক্লবা স্কোরদা মায়থিদুনা লৈহৌখি।

## অম্ফা সেনিয়র ৱুমেন ফুটবোল লীগ-২০১৮ কেআরৱাইপিঐচএসএ অমদি এমপিএসসি মায় পাকখ্রে

ইম্ফাল, নবেম্বর ২০ঃ

ওল মণিপুর ফুটবোল এসোসিয়েসন (এএমএফএ) অম্ফানা শীন্দুনা খুমন লম্পাক আর্টিফিয়েল তর্ফ গ্রাউন্দা টিম ৪না শরুক য়াদুনা ঙসিদগী হৌদুনা মথং থাগী ১০ ফাওবা চথগদবা ৯শুবা অম্ফা সেনিয়র ৱুমেন ফুটবোল লীগ ফোর বিএম সিংহ ট্রোফি ২০১৮ শান্নবা হৌখ্রে।



ঙসি অয়ুক পুং ৯ তাবা মতমদা শান্নখিবা লীগ অসিগী অহানবা মেটচতা কেআরৱাইপিঐচএসএ নাওরেমথোংনা ইএসয়ু ৱাঙ্খেবু পাঞ্জল ২-১ দা মায়থিবা পীখ্রে।

মায় পাক্লবা কেআরৱাইপিঐচএসএ গী পাঞ্জলশিং অদু জর্সি নম্বর ৯ ই বিদ্যারানিনা মিনট ৭তা গোল ১ অমদি ইএসয়ু গী ৱাই কিরনবালানা আউল গোল ওইনা চনখিবনি।

মায়থিরবা ইএসয়ু ৱাঙ্খেগী অমত্তা ঙাইরবা পাঞ্জল অদু জর্সি নম্বর ৮ এম মান্দাকিনিনা মিনট ৫১ দা চনখিবনি।

মেটচ অসিদা কেআরৱাইপিঐছএসএগী জর্সি নম্বর ৭ ৱাই চন্দ্রজিনিনা মেন ওফ দি মেটচ তাখি।

লীগ অসিগী অনীশুবা মেটচ ওইনা নুংথিল পুং ২ তাবা মতমদা শান্নখিবদা এমপিএসসিনা ৱাইদব্লিউসি লংথবালবু পাঞ্জল ৩-১ দা মায়থিবা পীখি।

মায় পাক্লবা এমপিএসসিগী পাঞ্জলশিং অদু জর্সি নম্বর ১০ এম দি বালানা মিনট ৭, ৫৫ অমদি ৬০ দা গোল অহুম চনদুনা হেদ ত্রিক ফঙখি।

মায়থিরবা ৱাইদব্লিউসি লংথাবলগী অমত্তা ঙাইরবা পাঞ্জল অদু জর্সি নম্বর ১০ এস রিনারোইনা মিনট ৪৮ তা চনখি।

মেটচ অসিদা এমপিএসসি গী এনজি বালানা মেন ওফ দি মেটচ ফঙখি।

লীগ অসিগী মথংগী মেটচ থা অসিগী ২৪ গী অয়ুক পুং ৯ দা কেআরৱাইপিঐচএএসএ অমদি ৱাইদব্লিউসি (এল) না অহানবা অমদি নুংথিল পুং ২ তাবদা ইএসয়ু অমদি এমপিএসসি শান্নরগনি।

## ষ্টেট লেভেল মেন এন্দ ৱুমেন হোক্কি চেম্পিয়ন্সিপ-২০১৮ নুপাগীদা এসইৱাইও ফাইনেল চঙখ্রে

ইম্ফাল, নবেম্বর ২০ঃ

মণিপুর হোক্কিনা শীন্দুনা থা অসিগী ১৪ দগী ২৫ ফাওবা খুমন লম্পাক হোক্কি ষ্টেদিয়মদা চথরিবা ষ্টেট লেভেল মেন এন্দ ৱুমেন হোক্কি চেম্পিয়ন্সিপ ২০১৮ গী ঙসি নুপীগী মেটচতা এসইৱাইও মায় পাকখ্রে।



নুপীগী লীগ মেটচতা শান্নখিবদা এসইৱাইও শিংজমৈ ক্ষেত্রি লৈকাইনা ৱাইসিসিআইসি কোন্থা অহল্লুপ্পু পাঞ্জল ৫-১ দা মায়থিবা পীখ্রে।

মায় পাক্লবা এসইৱাইওগী পাঞ্জলশিং অদু-জর্সি নম্বর ৭ এস অমুনা মিনট ৩, ২১ দা গোল অনী, জর্সি নম্বর ৮ কেএসঐচ জোটিবাসুমনা মিনট ১৫, ১৯, ৪১ দা গোল অহুম চন্দুনা মেটচ অদুদা হেটত্রিক ফঙবা ঙমখি।

মায়থিরবা ৱাইসিসিআইসিগী অমত্তা ঙাইরবা পাঞ্জল অদু জর্সি নম্বর ৯ এম প্রিয়ানা মিনট ৫৮ তা চনখিবনি।

টুর্নামেন্ট অসিগী নুপাগী অহানবা সেমি ফাইনেল মেটচ ওইনা ঙসি শান্নখিবদা হোক্কি য়ুনিয়ন লাইরিকয়েংবম লৈকাইনা কেঐচএসি খোঙমনবু পাঞ্জল ৩-২ দা মায়থিবা পীবা ঙমখি।

মায় পাক্লবা হোক্কি য়ুনিয়নগী পাঞ্জলশিং অদু জর্সি নম্বর ১২ কেঐচ সোমিকান্তনা মিনট ২৪, জর্সি নম্বর ৯ কেঐচ প্রিয়োনা মিনট ৩১ অমদি জর্সি নম্বর ২ দব্লিউ অমরজিৎনা মিনট ৫৪ দা গোল অমমম চনখিবনি।

মায়থিরবা কেঐচসিগী পাঞ্জলশিং অদু জর্সি নম্বর ৭ কে দেবেশ্বরনা মিনট ৩ অমদি জর্সি নম্বর ১৩ টিঐচ কিরনকুমারনা মিনট ১৭ দা চনখিবনি।

## আই-লীগ ২০১৮-১৯ঃ মোহন বগানন্না রিয়েল কাশ্মীরবু ১-০ দা থোইখ্রে

*শ্রীনগর, নবেম্বর ২০ঃ*

ইন্দিয়াদা পাঙথোকপা ফুটবোল লীগ টুর্নামেন্টশিংগী মনুংদা মরুওইবা অমা ওইরিবা আই-লীগ ফুটবোল টুর্নামেন্টকী ঙসি শান্নখিবা ৪শুবা রাউন্দগী মেটচ অমদা কোলকতাগী ক্লব মোহন বগানন্না রিয়েল কাশ্মীরবু ১-০ দা থোইদুনা টেবলগী অনীশুবা মফমদা হাইগৎপা ঙমখ্রে।

ঙসি শ্রীনগরদা লৈবা টিআরসি টর্ফ গ্রাউন্দদা শান্নখিবা মেটচ অদু হৌবদগী য়ুম্থু টিম ওইখিবা রিয়েল কাশ্মীরনা মোহন বগানদগী বোল হেন্না পায়দুনা এটেক তৌবগী চাং ৱাংখি।

শান্নবগী অহানবা হাল্ফতা টিম অনীগী মায়কৈদগী অকনবা লম্বা মায়োক্নদুনা পাঞ্জল চনশিন্নবা হোৎনখ্রবসু হাল্ফ অদু লোইশিনখ্রবা ফাওবা মায়কৈ অনীদগী পাঞ্জল লৈনখিদে।

অনীশুবা হাল্ফ শান্নরকপা মেটচকী ৭০শুবা মিনটতা কোলকতাগী চহী ১০০ হেল্লবা ক্লব মোহন বগানন্না চথরকখিবা এটেক অমদা টিম অসিগী শান্নরোই কিসেক্কানা পীরকপা ক্রোস অমা টিমমেট এসর দিপান্দানা হেদ্দিং তৌশিন্দুনা পাঞ্জল ওইখিবদগী মোহন বগানন্না রিয়েল কাশ্মীরবু ১-০ দা থোইবা ঙমখি।

## *সঙাই ফেষ্টিভেলগা মরী লৈনন্না ঙসি হাল্ফ মরাথোন পাঙথোক্কনি*

*ইম্ফাল, নবেম্বর ২০ঃ*

*হয়েংদগী হৌগদৌরিবা সঙাই ফেষ্টিভেলগা মরী লৈনন্না হাল্ফ মরাথোন অমা পাঙথোক্লগনি হায়না পুলিস দিপার্টমেন্টকী পিআরওনা থাদোরকপা চেরোল অমনা খঙহল্লক্লি।*

*হয়েং পাঙথোক্কদৌরিবা হাল্ফ মরাথোন অসি অয়ুক পুং ৭ তগী পুং ১১ ফাওবনি। হাল্ফ মরাথোন লমজেল অসি সেন্দ্রা ফুটহিলসতগী হৌরগা ইথিং খোলা, থাঙ্গা তোংব্রম, থাঙ্গা খোইরোম, কৈবুল সঙ্গ্রাম, চিংমৈ চান্দপুর, মোইরাং খুনৌ, কাইরেনফাবি, থাঙ্গালৱাই, থোয়া সেন্দ্রা ফাওরগা সেন্দ্রা টাকমুদা থুংগদবনি।*

*হাল্ফ মরাথোন অসিনা মরম ওইরগা লম্বী চথোক-চৎশিনদা অহোংবা খরা লৈগনি। অহানবদা কুম্বীদগী মোইরাংদা লাকপা গারীশিং কুম্বী লাইশান্দোন ফাওরগা সাইতোন বজার চৎখিগনি।*

*অনীশুবদা বিষ্ণুপুরগী কুম্বী অমসুং ৱাঙু লোয়নন্না মোইরাং চৎখিগদবা গারীশিং মোইরাং লমখাইদগী খাইদোকখিগদবনি হায়না পুলিস দিপার্টমেন্টকী চেরোল অসিনা মখা তারক্লি।*

## *য়ুইএফএ নেসন্স লীগঃ* নেদরলেন্দসকী ভিরজিল ভান দিজকনা অথেংবদা চনখিবা পাঞ্জলনা জর্মনিগা দ্রো চৎখ্রবসু ফাইনেলসকী মফম কনবা ঙমখ্রে

*বর্লিন, নবেম্বর ২০ঃ*

য়ুরোপকী তোঙান-তোঙানবা লৈবাকশিংদা চথরিবা নেসন্স লীগ ফুটবোল টুর্নামেন্টকী ঙসি শান্নখিবা লীগ এ গ্রুপ ৱানগী ৪শুবা রাউন্দগী মেটচ অমদা নেদরলেন্দসকী শান্নরোই ভিরজিল ভেন দিজকনা অথেংবদা চনখিবা পাঞ্জলনা জর্মনিগা ২-২ দা দ্রো চৎখ্রবসু গ্রুপকী মকোক ওইদুনা ফাইনেলস স্পোট ফংখ্রে।



*নেদরলেন্দসকী শান্নরোইশিংনা অনীশুবা পাঞ্জল চন্লবা মতুংদা হরাওবা ফোঙদোকপা*

জর্মনি অমসুং নেদরলেন্দসনা শান্নখিবা মেটচ অসিগী ৯শুবা মিনটতা জর্মনিগী শান্নরোইশিংনা চথরকখিবা এটেক অমদা টিমো ৱারনরনা পাঞ্জল অমা চন্দুনা ১-০ দা মাঙজিল থাখি।

মখা তানা শান্নরকপা ২০শুবা মিনটতা জর্মনিগী অতোপ্পা শান্নরোই লেরোই সানেনা পাঞ্জল অমগা চনশিন্দুনা নেদরলেন্দসপু ২-০ দা হেল্লগা অহানবা হাল্ফ লোইশিনখি।

অনীশুবা হাল্ফ শান্নরকপদা পাঞ্জল অনী শোখদুনা লৈরিবা নেদরলেন্দসগী শান্নরোইশিংনা পাঞ্জল হন্দোক্নবা জর্মনিগী মায়কৈদা বোল তোয়না পুশিন্দুনা এটেক কয়া চথরকখি।

মতম কুইনা টিম অনীগী মায়কৈদগী অহেনবা পাঞ্জল লৈনরক্তদ্রবা মতুং শান্নবগী ৮৫শুবা মিনটতা নেদরলেন্দসকী শান্নরোইশিংনা চথরকখিবা এটেক অমদা ক্বিন্সি প্রোমসনা পাঞ্জল অমা চনবা ঙমখি।

শান্নবগী ইনজুরি টাইমগী অহানবা মিনটতা নেদরলেন্দসকী শান্নরোই ভিরজিল ভেন দিজকনা য়াম্না মরুওইবা পাঞ্জল অদু চন্দুনা ২-২ দা দ্রো চৎখিবদগী ফ্রান্সকা পোইন্ট ৭ / ৭ ফংদুনা মান্নখ্রবসু নেদরলেন্দসনা গোল দিফরেন্সতা হেনখিবদগী ফাইনেলসকী স্পোট ফংবা ঙমখি।

য়ুইএফএ নেসন্স লীগ ফুটবোল টুর্নামেন্ট অসিগী ঙসি শান্নখিবা লীগ বি গ্রুপ ৱানগী মেটচ অমদা জেক রিপব্লিক্না স্লোভাকিয়াবু পাঞ্জল ১-০ দা থোইবা ঙমখি।

টিম অনীমক য়াম্না লম্বা মান্নখিবদগী অহানবা হাল্ফ শান্নরকপা মিনট ৩০ হেন্না হৌজিনখ্রবা ফাওবদা পাঞ্জল অমত্তা চন্নদনা লৈখি। শান্নবগী ৩২শুবা মিনটতা জেক রিপব্লিক্কী শান্নরোইশিংনা চথরকখিবা এটেক অমদা পেত্রিক স্কিকনা পাঞ্জল অমা চন্দুনা ১-০ দা মাঙজিল থারগা অহানবা হাল্ফ লোইশিনখি।

অনীশুবা হাল্ফ শান্নরকপদা টিম অনীগী মায়কৈদগী অহেনবা পাঞ্জল হাপচিনবা ঙম্মখিদবদগী মেটচ অদু জেক রিপব্লিক্না স্লোভাকিয়াবু পাঞ্জল ১-০ দা থোইখি।

টুর্নামেন্ট অসিগী লীগ সি গ্রুপ থ্রিগী মেটচ অমদা বলগেরিয়া অমসুং স্লোভেনিয়া পাঞ্জল ১-১ দা দ্রো চৎখি। অহানবা হাল্ফ টিম অনীমক পাঞ্জল লৈনখিদে।

অনীশুবা হাল্ফ শান্নরকপা ৬৮শুবা মিনটতা বলগেরিয়াগী গালিন ইভানোভনা পাঞ্জল অমা চন্দুনা মাঙজিল থাবা হৌখি। ৭৫শুবা মিনটতা স্লোভেনিয়াগী মিহা জেজকনা পাঞ্জল অমা চন্দুনা ১-১ দা মান্নরগা লোইশিনখি।

য়ুইএফএ নেসন্স লীগ অসিগী ঙসি শান্নখিবা লীগ দি গ্রুপ ৱানগী ৬শুবা রাউন্দগী লীগ মেটচ অমদা জিরওজিয়ানা কজাখষ্টানবু পাঞ্জল ২-১ দা থোইবা ঙমখি। পনবা য়াবদি জিরওজিয়া গ্রুপ অসিগী পোইন্ট টেবলদা মকোক ওইদুনা মাঙজৌননা ফাইনেলস স্পোট য়ৌবা ঙমখ্রবনি।

ঙসিগী মেটচ অদুগী অহানবা হাল্ফতা টিম অনীমক পাঞ্জল লৈনখিদে।

অনীশুবা হাল্ফ শান্নরকপা ৫৯শুবা মিনটতা জিরওজিয়াগী শান্নরোই জিওর্জি মেরেবাসভিলিনা পাঞ্জল অমা চন্দুনা মাঙজিল থাখি। ৮৪শুবা মিনটতা জিরওজিয়াগী অতোপ্পা শান্নরোই জিওর্জি চাকভেটাদজেনা পাঞ্জল অমগা চনশিন্দুনা ২-০ দা হেন্দুনা চৎখি।

শান্নবগী অরোইবা মিনটতা কজাখষ্টানগী শান্নরোই ওরালখান ওমিরটায়েভনা পাঞ্জল অমা হনেদাকপা ঙমখ্রবসু মেটচ অদু মখোয় জিরওজিয়াগী মখূত্তা ১-২ দা মায়থিহৌখি।

## আইসিসিনা পাকিষ্টানগী কম্পেনসেসন ক্লেম য়াখিদ্রে

*দুবাই, নবেম্বর ২০ঃ*

পাকিষ্টান ক্রিকেট বোর্দ (পিসিবি) না ইন্দিয়াগা কুমজা ২০১৫ তগী ২০২৩ ফাওবগী মনুংদা শান্নগদবা বাইলেটেরেল সেরিজ ৬ কী এমওয়ু ইকাই খুম্নদে হায়না বোর্দ ওফ ক্রিকেট কন্ট্রোল ফোর ক্রিকেট ইন ইন্দিয়া (বিসিসিআই) গী মায়োক্তা থাঙ্গৎলকখিবা এলিগেসন অদু ইন্টরনেসনেল ক্রিকেট কাউন্সিল (আইসিসি) না য়াখিদ্রে।

বাইলেটরেল সেরিজ ৬ শান্নগদৌরিবা অসিগী এমওয়ু অদু ইকাই খুম্নদে হায়বগীদমক পিসিবিনা বিসিসিআইদা কম্পেনসেসন ওইনা লুপা ক্রোর ৪৪৭ পীনবগীদমক দিমান্দ তৌখিবনি। পাকিষ্টানগী ক্রিকেট বোর্দি অদুনা থাঙ্গৎলক্লিবা ক্লেম অদু মরম চাদে হায়না আইসিসিনা রিজেক্ট তৌখিবনি হায়রি।

## দিএসএ থার্দ দিভিজন টুর্নামেন্ট-২০১৮

ইম্ফাল, নবেম্বর ২০ঃ

দিষ্ট্রিক্ট স্পোর্টস এসোসিয়েসন (দিএসএ) ককচিংনা শীন্দুনা এসোসিয়েসন অসিগী গ্রাউন্দা টিম ৬না শরুক য়াদুনা চথরক্লিবা দিএসএ ককচিং থার্দ দিভিজন লীগ ঙসি শান্নখিবা মেটচশিংদা কেটিসি অমদি এফএসসি পাঞ্জল ৩-৩ চন্নদুনা দ্রো চৎখ্রে।



মেটচ অসিদা কেটিসি ককচিংগী পাঞ্জলশিং অদু জর্সি নম্বর ১১ এন রোনেল্ডনা মিনট ৮, জর্সি নম্বর ১৫ কেঐচ দায়ানা মিনট ২৭ অমদি জর্সি নম্বর ১৮ এস জষ্টিননা মিনট ৬১ দা গোল অমমম চনখিবনি।

এফএসসি ককচিংগী পাঞ্জল অদু জর্সি নম্বর ১০ নাওবনা মিনট ৩০, জর্সি নম্বর ১৭ সরুখান্দনা মিনট ৪২ অমদি জর্সি নম্বর ১৯ মোনালিনা মিনট গোল অমমম চনখিবনি।

মেটচ অসিদা কেদিসিগী জর্সি নম্বর ৪ সসাটনেটিদা রেফরিনা ফাউল শান্নবগীদমক য়েল্লো কার্দ বুক তৌখি।

অনীশুবা গ্রাউন্দা শান্নখিবদা পিৱাইএসসি ফুনাল অমদি এসএফসি সুগনু পাঞ্জল ১-১ দা দ্রো চৎখ্রে ।

এসএফসিগী পাঞ্জল অদু জর্সি নম্বর ৯ ৱাই মানিয়াইমানা মিনট ৮দা চনখিবনি।

পিএসৱাইসিগী পাঞ্জল অদু জর্সি নম্বর ১৪ কেঐচ মেসেঞ্জরনা মিনট ৪০ দা চনখিবনি।

টুর্নামেন্ট অসিগী মথংগী মেটচ থা অসিগী ২২দা য়ুসিসি অমদি ৱাইদব্লিউয়ুনা অহানবা অমদি পিএসৱাইসি অমদি কেটিসিনা অনীশুবা মেটচ ওইনা শান্নরগনি।

## কুমজা ২০২৮ ওলিম্পিক্সতা ইন্দিয়া মকোক থোংবা মেডল ৱিন্নরশিংগী মনুংদা অমা ওইরগনিঃ রাথোর

*পানাজি, নবেম্বর ২০ঃ*

কুমজা ২০২৮ ওলিম্পিক গেমসতা ইন্দিয়া মকোক থোংবা মেডল ফংলকপা লৈবাকশিংগী মনুংদা চনবা ঙম্লগনি হায়না ঙসি লৈবাক অসিগী য়ুনিয়ন স্পোর্টস মিনিষ্টর রাজ্যভরধন সিংহ রাথোরনা ফোঙদোকখ্রে।

মিনিষ্টরনা মখা তানা ফোঙদোকখিবদা কুমজা ২০১৮ অসি ইন্দিয়াগী স্পোর্টসকী লমদা খ্বাইদগী মায় পাকপা চহী ওইবা ঙল্লি। লৈবাক অসিগী নহা ওইরিবা শান্নরোইশিংনা শান্নবগী লমদা মালেমগী অতোপ্পা লৈবাকশিংগী শান্নরোইশিংদগী দোমিনেট তৌবা ঙম্বগী পাঙ্গল লৈজরি হায়নসু মিনিষ্টর অসিনা মখা তাখি।

২০২০ দা পাঙথোক্কদৌরিবা টোকিও ওলিম্পিক গেমস নকশিল্লক্লে । ঐখোয়না মসিগীদমক নীংথিনা শেম শাবা মথৌ তারে। শান্নবগী এরেনাদা চঙদ্রিঙৈদা গেমস অসিদা মেডল কয়া ফংগনি হায়বগী চপ চাবা খঙদোকপা মথৌ তারে হায়নসু রাথোরনা মখা তাখি।

ঐখোয়গী টার্গেটতি কুমজা ২০২৪ অমসুং ২০২৮ তা পাঙথোক্কদৌরিবা ওলিম্পিক গেমসশিংদনি। মসিগীদমক লেপ্পা লৈতনা থৌরাং কয়া পায়খৎলক্লি। ইন্দিয়ানা কুমজা ২০২৮ গী ইদিসন অসিদা মকোক থোংবা মেডল ফংবা লৈবাকশিংগী মনুংদা শোয়দনা চনবা ঙম্লগনি হায়না য়ুনিয়ন স্পোর্টস মিনিষ্টর রাজ্যভরধন সিংহ রাথোরনা মখা তানা ফোঙদোকখি।

ইন্দিয়াগী শান্নরোইশিংদা ফগৎলকপগী খুদম ওইনা চহী অসিদা পাঙথোকখিবা কম্মনৱেল্ঠ গেমস, এসিয়ান গেমস, পেরা গেমস অমসুং য়ুঠ ওলিম্পিক গেমসতা ইন্দিয়াগী শান্নরোইশিংনা মমাঙগী ইদিসনশিংদগী মেডল মশীং হেন্না পুরকপা ঙমখ্রে হায়নসু মহাক্না মখা তাখি।